দিসেম্বর থাদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট মরিগী মীখল পুন্না পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা লৈরোই : পোল পেনেল

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন ঙনখৎলক্লবদি দিসেম্বর থাদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট মরিগী মীখল পুন্না পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি হায়না চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার ও পি রাৱটনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাগী মীখল ঙনখৎনা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লবদি ষ্টেট মরি- মধ্য প্রদেশ, ছটিসঘর, মিজোরাম অমসুং রাজস্থানগা পুন্না মীখল পাঙথোকপা য়াগনি। মদুদা করিসু খুদোংচাদবা লৈরোই হায়না ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা মীৎয়েং অমদা লোক সভাগী মীখল অদু কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিল-মে থাদা পাঙথোক্লবা মীৎয়েং থল্লিবনি। মদু চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর-দিসেম্বর থাদা ঙনখৎনা পাঙথোক্লবদি খুদোংচাদবা অমত্তা থোকহন্দনা মীখল পাঙথোকপা য়াগনি। মিজোরাম এসেমব্লীগী মতম দিসেম্বর ১৫ দা লোইরগনি। ছটিসঘর, মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থান এসেমব্লীগী ওইনা জান্যুৱারি থা মনুংদা মতম লোইগনি।

লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লীগী ইলেক্সন দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্লবগীদমক্তদি ইলেক্সন কম্মিসন্না ইলেক্টোনিক ভোটিং মেছিনশিং শেম-শাদুনা লৈ। লোক সভা অমসুং ষ্টেট মরিগী মীখল পুন্না পাঙথোকপদা তঙাইফদবা মেছিনশিং অদু শুনা লৈগনি। অদুম ওইনমক সেপ্টেম্বরগী অরোইবা থা ফাওবদা পেপর ট্রেল মেছিনশিং ঈ ভি এম মেছিন খুদিংমক্তা হাপচিন্নবা পান্দম থল্লি। থৌশিল অদু চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমগনি। নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা পেপর ট্রেল মেছিন লাখ ১৭.৫ শেমগৎনবা পান্দম থল্লিবা অদুগী মনুংদা লাখ ১৬ তি লৈবা ঙল্লগনি।

অদুগা ৱাৎহৌরিবা পেপর ট্রেল নৎত্রগা ভোটর ভেরিফিএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পেট) মেছিনশিং অদু নবেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদদি চপ চানা শুহনবা ঙমগনি।

দিসেম্বর থাদা লোক সভা মীখল পাঙথোকপা তারবদি মাঙজৌননা নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা তঙাইফদবা মেছিনশিং চপ চানা শেম-শাবগী তঙাইফদবা লৈগনি। অদুম ওইনমক ভি ভি পেট লাখ ১.৫ নবেম্বরগী অরোইবা শরুক ফাওবদা শেম-শাবগী ৱাফম অদুদা করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লবা য়াই হায়খি।

লোক সভা মীখলগী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১০ দা শীজিন্নগদবা ঈ ভি এম অমসুং ভি ভি পেটশিং নীংথিনা শেম-শাবা মথৌ তারি। ষ্টেট মরিগী ওইনা মীখল পাঙথোকপা মতমদা তঙাইফদনা পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ২ মথৌ তারি। মদুগী তঙাইফদবা মেছিনশিংসু শেম-শাগদৌরিবনি। দিসেম্বর অমসুং জান্যুৱারি থা ফাওবগী মনুংদা মীখল অদু পাঙথোক্লবা শেম-শাবগী ওইথোকপা লৈগনি।

ভোটর ভেরিফিএবল পেপর ওদিট ট্রেল হায়রিবা মেছিন অদু মীওই অমনা মহাক্কী অপাম্বা সিম্বোল অমদা ভোট নমখিবা মতমদা ভোট পীরিবা মীওই অমসুং পার্টিগী সিম্বোলশিং স্লিপ অমদা থোক্লকপা উগনি। স্লিপ পেপর অদু ভি ভি পেট মেছিন অদুগী অপীকপা থোঙনাওগুম্বা অমদা সেকেন্দ তরেৎ দিসপ্লে তৌরমগনি। মদুগী মতুং দ্রোপ বোক্সতা চঙখিগনি। হায়রিবা পেপর স্লিপ অদু ভোট থাদরিবা মীওই অদুনা ময়ুমদা পুবা য়াবগী ওইথোকপদি লৈরোই হায়রি।

পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা ভি ভি পেট মেছিনশিং শীজিন্নগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈ ভি এম অমসুং ভি ভি পেট মেছিনশিংনা পীরকপা রিজল্টশিংদা খেন্নবা লৈত্রি হায়রি।

অসাম এন আর সীদা থবক তৌবা য়াওরিবা ওজা ১ ফারে

মোরিগাও, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) দা মথৌ তৌহল্লিবা লৈঙাক্কী স্কুল ওজা অমা গুৱাহাতি হায় কোর্টনা বাংলাদেশতগী কাঙলোন চুমদনা চঙশিল্লকপা মাইগ্রেন্টনি হায়না লাউথোরকখিবা মতুং ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মোরিগাও ফোরেন্নর ত্রিব্যুনেলনা খাইরুল ইস্লামবু কাঙলোন চুমদনা চঙশিল্লকপা মীওইনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। ফীভমশিং অদু য়েংলগা মোরিগাও দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীওই অদু মোইবারিদগী ঙরাং নুমীদাং ফাগৎখিবনি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস স্বাপ্নানিল দেকানা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না খাইরুল ইস্লামবু ইনগেজ তৌদুনা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অপদেট তৌবা য়াওহল্লিবনি। মোরিগাও দেপ্যুটি কম্মিস্নার হেমেন দাসনা হায়, ওগষ্ট ১৩ দা মীওই অদু শীজিন্নরিবা থবক অদুদগী লৌথোকখ্রে। গুৱাহাতি হায় কোর্টকী ৱায়েল অমনা ফোরেন্নর ত্রিব্যুনেলনা পীখিবা ৱায়েল অদু শৌগৎলকখি। মদুগী মতুং পুলিসনা মীওই অদু ফাননবা থিবা হৌরকপগা লোয়ননা ঙরাং নুমীদাং মোইবারিদগী ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

মখা তানা চথুরকপা কেস অদুগা মরী লৈনবা থৌশিল অমা ওইনা খাইরুল ইস্লাম ফোরেন্নর দিটেন্সন কেম্পতা থাজিনখ্রে। গোলপরা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা দিটেন্সন কেম্প অদুদা মীওই অদু ঙসি নুমীৎযুংবা মতুংদা থাজিনখিবনি হায়নসু দেকানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খাইরুল ইস্লাম গোলপরা দিষ্ট্রিক্টকী খন্দাপুখুরি লৱার প্রাইমারী স্কুলদা ওজা ওইবনি। মহাক মোরিগাও দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না এন আর সী সেবা কেন্দ্রগী থবক থৌরমশিং অদুদা ইনগেজ তৌদুনা শীজিন্নখি।

এন আর সীগী থৌশিল অদুগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্কী থৌমী ৪০০০ এন আর সীগী তোঙান তোঙানবা সেবা কেন্দ্রশিংদা ইনগেজ তৌরিবনি হায়রি। মদুতা নত্তনা অসামগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন- অসোম জাতিয়া টবাদি যুব চাত্রা পরিষদ, কৃষক মুক্তি সংগ্রাম সম্মিটি, ওল কোচ রাজবোংসী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎ কয়াসু অসামদা পায়খৎলিবা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সকী থবক থৌরমশিংদা য়াওরিবনি হায়রি।

মদ্রাসাগী ওজাশিংনা নেসনল এন্থেম শকপা থিংখ্রে

মহারাজগন্স, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী মহারাজগন্সতা লৈবা ওজা অহুমগী মথক্তা কেস অমা ফাইল তৌখ্রে। নীং-খা তম্বা নুমীৎতা ওজাশিং অদুনা মহৈরোয়শিংবু নেসনল এন্থেম শকপদা থিংখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নমখিবা ভিদিও ফুটেজদা থৌওংশিং অদু উবা ফংখি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। নীং-খা তম্বা নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা নেসনল এন্থেম শকপদা মৌলানা জুবাইক অন্সারি মদ্রাসাগী ওজাশিং অদুনা থিংখি। লোয়ননা নেসনল এন্থেম শকপা লেপহনখি হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট অমরনাথ উপধ্যায়না মদ্রাসা অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা খঙহনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মাইনোরিটি ওফিসর প্রভট কুমারনা কেস অদু থিগৎলগনি। লোয়ননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদা ওজা ৩ গী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে হায়রি।

জে এন য়ুগী মহৈরোয় অমদা এটৈক চথুরম্বশিংনা ক্লেম তৌরকখ্রে, সরেন্দর তৌরক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) গী মহৈরোয় উমর খালিদতা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা দিল্লিগী সুপর মার্কেটতা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটৈক চথুরম্বা মীওইশিংনা ফেসবুক্তা ভিদিও থাগৎলকপগা লোয়ননা এটৈক অদু মখোয়না চথুখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে। মীওইশিং অদু হয়েং পুলিসতা চঙজরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং ফেসবুক্তা থাগৎলকখিবা ভিদিও অদুদা মীওই অনী পুলিসনা আইদেন্টিফাই তৌখি। মীওইশিং অদুনা ফোঙদোকচরকখিবদা, মখোয়গী মমিং দরৱেস সাহপুর অমসুং নবিন দলাল কৌই হায়না ফোঙদো-রকখি। এটৈক অদু ইন্দিয়াদা নীং-খা তম্বা নুমীৎকী খুদোল অমা ওইনা চথুখিবনি হায়রি।

পুলিসনা হৌজিক ভিদিও অদু করম্বা ফেসবুক একাউন্টতগী থাগৎলকখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। দরৱেস সাহপুরনা থাগৎলকখিবা ভিদিও মেসেজ অমদা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয়না লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনবু ঈকায় খুম্নে। অদুম ওইনমক কনষ্টিট্যুসন অদুগী প্রোভিজনশিংদা অঙাওবা হূইশিংবু চৈরাক পীবগী ৱাফম য়াওদে। অঙাওবা হূই হায়রিবা অদু জে এন য়ুগী গেং খুৎপুশিং অদুনি। মখোয়না লৈবাক অসিবু শোন্থহল্লে। লোয়ননা মখোয়গী মশিং অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। হরিয়ানাদা লৈবা মখোয়গী সিনিয়র অমনা অদুগুম্বা মীওইশিং অদু পারা অমা তম্বীবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

পুলিসনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা থৌওং অদুগা মরী লৈননা অৱাবা পীরোইদবনি। মখোয় মশানা পুলিসতা চঙজরক্লগনি হায়খি। পুলিসনা হৌজিক পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী ওথোরিটিগা পাউফাওনদুনা মীওই অনী অদুগী খোঙ্গুল লীননবা হোৎনরি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা কনষ্টিট্যুসন ক্লব অমদা পাঙথোকপা থৌরম অমা শরুক য়ারুরবা মতুংদা এটৈক অদু চথুরকখিবনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী লাইশঙ মনুংদা লাইনিংবা অনী তমথিনা হাৎলম্লে, ঔরারিদা চাউনা উংখৎনবা লৈরে

লক্ষনৌ, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী ঔরারি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিধুনা লমদমদা লৈবা ভায়ানক নাট মন্দির মনুংদা মশক খঙদবশিংনা লাইনিংবা মীওই অনী থাঙনা থিন্দুনা হাৎলম্লে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমনা অরুবা ফীভমদা শোকহল্লম্লে হায়রি।

বিধুনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাইশঙ অদুগী মনুংদা লাজারাম (৬৫) অমসুং হলকে রাম (৫৩) ঈ মরক্তা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয় বাকেৱারদা লৈবা মীওইশিংনি। অহুমশুবা শোক্লবা মীওই অদুগী মমিংনা রাম সরন (৫৬) কৌই। মহাকসু অরুবা ফীভমদা শোক্তুনা লাইশঙ অদুগী মনুংদা তাদুনা লৈরমখিবনি হায়রি।

মীওইশিং অদু খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক রাজারাম অমসুং হলকে রামদি শিনা পুরক্লে হায়না লাউথোরকখি। অদুগা রাম সরনবুনা খুদোংচাবা হেন্না লৈবা সাইফাই হোস্পিটালদা থংদোক্তুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৩ লোম তাবদা থোকখিবনি। হিন্দু লাইনিং চৎপা লম্বোইশিং অদুদা এটৈক চথুরল্লিবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি হায়না এদিসনল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রাজেস কুমার সকসেনানা ফোঙদোরক্লি।

সার্কল ওফিসর ভাস্কর বর্মানা ফোঙদোরকখিবদা, মীওইশিং অদু চর্পাই অমদা পুনশিন্দুনা থল্লবা মতুং এটৈক অদু চথুরম্বনি। লাইনিংবা মীওই অনী হাৎলম্বা অমসুং অমনা তমথিনা শোকহল্লম্বগী পাউ অদু শন্দারকপগা লোয়ননা লমদম অদুদা চাউনা উংখৎনবা লৈরে। খোয়শাউনরবা মীয়াম্না দুকান কয়া মৈ থাদোকখ্রে। ওইরিবা ফীভম অদু লাকশিন্নবগীদমক পুলিসনা মশিং খঙদনা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট লো এনফোর্সমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

অসামদা মীয়াম্না ফূবদা ষন হুরানবনি হায়বা মীওই ১ শিরে

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সী):

অসামগী বিশ্বানাথ দিষ্ট্রিক্টতা মীয়াম হৌরক্তুনা ফূবদা ষন হুরানবনি হায়বা মীওই অমা শিরে অদুগা অহুম্না অরুবা ফীভমদা শোক্লে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

বিশ্বানাথকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দিগান্টা কুমার চৌধরিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক সুটিয়া পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দিপ্লোঙ্গাগী লাইন নম্বর ১৫ দা থোকখিবনি। অহানবা ওইনা থিজিনবদা ফংখিবা পাউগী মতুংইন্না লমদম অদুদা লৈবা সনকট তন্তি কৌবা মীওই অমদগী ষন অনী মশক খঙদবা মীওই মরিনা হুরানখি। মখোয় নম্বর থাদবা ফোটো ভেন অমদা তোংদুনা চেনখিবনি। তন্তিনা লাউরকপদগী অকোয়বদা লৈবা মীয়াম চেন্থোক্লরকখি। লোয়ননা মীওই মরি অদু ফাখি। মীয়াম অদুনা মীওইশিং অদু তমথিনা ফূখি। মফম অদুদগী ওটো ভেন অমা অমসুং ষন অনী ফংবা ঙমখ্রে হায়না দিগান্তা কুমার চৌধরিনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা লৈবা ভিলেজ দিফেন্স পার্টিগী মীওইশিংনা পুলিসতা পাউ অদু পীরকখি। খুদক্তা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মীওইশিং অদু কন্ননবা হোৎনখি। মীয়াম্না ফূবদা মীওই অমা শিখ্রে। অদুগা অহুম্না অরুবা ফীভমদা শোক্তুনা হৌজিক হৌজিক লায়কন্নরি হায়রি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই মরিমক মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। মীওইশিং অদুদি, দেবেন রাজ বোংসি (৩৫), অদুগা শোক্লবশিং অদুনা পুজান ঘাটোৱার (৪০), ফুলচান্দ সাহু (২৫) অমসুং বিজয় নায়ক (২৫) নি হায়রি। মীওই মরিমক গেরেকি খুঙ্গংদা লৈবশিংনি। গেরেকি খুঞ্জাশিংগী মতুংইন্না মীওইশিং অদু ওক্সা লল্লোনবা কাঙবুনি হায়রি। পুলিসনা হৌজিক কেস অনী লৌখৎলে। অহানবদা মীওই মরি অদুনা ষন অনী হুরানবা, অনীশুবদা মীয়াম হৌদুনা ফূখিবা অদুগীনি হায়রি।

[illegible]/দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইস্থোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
[illegible]
Limited Seats!
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm
Contact: 9612194500 | 8731977228
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018
OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nambiy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrituniay (3 Yrs Experience in Teaching)
1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wanlilam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Benjo (5 Yrs Experience in Teaching)
HL-B/4797/17/8-15/9

[illegible]
STUDY MBBS/MD
IN ABROAD
* BANGLADESH
* CHINA
* KAZAKHSTAN
* KRYGYSTAN
* PHILIPPINES
* GEORGIA
* SOUTH AMERICA
* UKRAINE
* RUSSIA
PACKAGE STARTS FROM 12 LAC
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI, IMPHAL
Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900, 8415930785, 8794249895
HL-B/4779/6/8-5/9

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

NOTIFICATION
Imphal, the 10th August, 2018

No.104/4/2018-DHS: It is hereby notified to all the candidates who have appeared in the B.Sc. Nursing and Paramedical Courses. Entrance Examination. 2018-19, that the following seats are lying vacant.

Sl. No.	Institution	Course	No. of seats	Category
1	RIPANS, Aizawl	B.Sc. Nursing	1	UR
	CON, RIMS		1	UR
	CON, Medical Directorate		1	ST
2	Dibrugarh University	B. Pharm	1	UR
			1	ST
3	RIPANS, Aizawl	B.Sc. MLT	1	ST

The willing and intending candidates are informed to attend the counselling for selection on merit basis and nomination to the above mentioned available seats which is going to be held on 17.08.2018 at 10:30 a.m. on wards at the State Medical Board Room, Medical Directorate, Lamphel.

Sd/- Dr. K. Rajo Singh
Director of Health Services, Manipur
Imphal, the 10th August, 2018

HL-P/5237/17

No.104/1/2018-DHS:

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

NOTIFICATION
Imphal, the 14th August, 2018

In continuation of this Directorate Notification of even No. dated 4th August, 2018, the Extended Mop up Round, Manipur MBBS/BDS counselling, 2018 for selection and nomination of candidates for admission to MBBS/BDS courses for the academic session 2018 **will be held on 21st August, 2018 from 11 a.m. onwards at the Main Auditorium, JNIMS, Porompat, Manipur.** The available seats as on today including 1 (one) seat each at Medical Colleges namely Lady Hardinge Medical College, New Delhi, Guwahati Medical College, Guwahati, Assam Medical College, Dibrugarh, Patna Medical College, Patna and Darbhanga Medical College, Lehariasarai, Bihar and the category wise distribution of seats are as follows:

Sl. No	Category	MBBS (10 seats)		BDS (7 seats)	
		JNIMS	Central Pool Quota	JNIMS	RIMS
1	UR	02	03	03	
2	OBC(M)	01	00	01	
3	OBC(MP)	00	01	00	
4	ST	02	01	03	
	Total:-	05	05	07	

The intending candidates are hereby informed *to report for counselling registration at the Main Auditorium, JNIMS, Porompat, Manipur with all the relevant original certificates, Acknowledgement Slip and 6 (six) passport size Photographs on 21st August, 2018 (Tuesday) at 9.00 a.m. without fail. The candidates who have been allotted MBBS/BDS/BASLP seats and admitted to their respective Colleges should produce an undertaking for change of course in the prescribed format duly countersigned by the Principal or Dean of the Institution.* Candidates or their representatives who fail to report on the above stipulated date and time will not be considered later.

Further information can be seen at our official website **www.manipurhealthdirectorate.in** or can be had from this Directorate Notice Board.

Sd/- Dr. K. Rajo Singh
Director of Health Services, Manipur
Imphal, the 14th August, 2018

HL-P/5237/17